ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
হুইয়েন লানপাউ
The Largest Circulated Newspaper in Manipur



ভারতকা অমুট কলাশ শোদা ফাইনেল রাউন্দ চঙদুনা মরিশুবা মফম কল্লকখ্রবী মণিপুরগী ফোক সিঙ্গর বেনিতা লাইশ্রমদা দাইমন্দ টিভি অমদি ৱাহোং রেদিওনা লুপা লিশীং ৪০ পীদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখিবা

থম্মোয় পাউদম : ইরাবতকী মপোক-থা অমসুং শিবা ... লামায় ২
লামায় ৪ ফৌ মনা কোনশিনবী তীল
ফৌ থাবদা মাইক্রোন্যুত্রিএন্টকী মরু ওইবা লামায় ৫
লামায় ৬ লুচিংবশিংনা পংহাইদা হায়জিন্দুনা অৱায়-অখুম ...
ইন্দিয়াগী নহাশিংনা লৈবাক অসিদগী রেপ কলচর ... লামায় ৯
লামায় ১২ এল ঈ সী (বি)না অশাংবম লক্ষিতোন মেমোরিএল...

অমাই পিবা অপুনলূপ, কংলৈপাক্লা শীন্দুনা এম দি য়ুগী হোলদা নুমিৎ মরিনি চথরকখিবা পোকপদগী শিবা ফাওবগী পাঙথোকপা থৌরমশিংগী খন্ন-নৈনবা মীফমগী লোইশিন থৌরমগী মেরা চুখৎপা



Vol. 48, Issue No. 150 | নিংথৌকাবা, থৱানগী ২৯নি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Monday, September 02, 2024, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

# মণিপুর গভর্ণমেন্টনা থা ৬কী মনুংদা লান লোইশিনগনি হায়দুনা খোঙ্গ্রাই শংলিঙৈদা ষণনা ৱাইরব্রা লান খাম্নবা ফি শেম্লিঙৈদা চীংখোঙ-চীংয়াগী য়েলহৌমীশিং তুমগদৌরে

## কুকি টেররিষ্টশিংনা কৌত্রুক-কদাংবন্দদা দ্রোন শীজিন্নদুনা চথরকপা লানদা মচানুপী পুরগা মপামদা লাকচবী মৌনহা ১ শিরে, মচানুপী, পাউমী ১ অমসুং ষ্টেট ফোর্স য়াওনা মীওই ২০ শোক্লে

### সেকমাই অমসুং য়াইঙংপোকপীদসু কুকি টেররিষ্টশিংনা অকনবা মওংদা লান্দারকখ্রে



কৌত্রুক লানফমদা লৈখিদ্রবী ঙাংবম ওংবী সুরবলা (ওই), দ্রোননা থাদরকপা বোম পোকখায়বগী মচেৎনা পান্দুনা শোক্লবা পাউমী এলাংবম মুসুক (ময়াই), নোংমৈনা পান্দুনা শোকখিবী সুরবলাগী মচানুপী



কৌত্রুক লানফমদা শোক্তুনা রিমসতা লায়কন্ননবা পুরকখিবা

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০১ (ঐচএনএস) :** মে ৩, ২০২৩দগী হৌরকখিবা মণিপুরগী তমথীরবা লান অসি থা ১৬ মপূং ফাগদবা নুমিৎ খরনি ৱাংলিঙৈগী মমাঙদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা মশক নাইবা নেসনল মীদিয়া (পি টি আই) দা পীখিবা ইন্টরভিয়ু অমদা থা ৬কী মনুংদা লোইশিন্নবা হোৎনরগনি অমসুং নাকল অনীমক্কী মীওইশিংগা ৱারী শাননবা মীহুৎ ফাওবা খল্লে হায়দুনা লাউথোকখ্রবা মতুং ঙরাং ন্যু দেল্লীগী জন্তর মন্তর য়াওনা কুকি-জৌ ফূরুপ্পা তাবা মণিপুরগী মফমশিংদা সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেসনগী দিমান্দ নৌহৌননা তকশিল্লদুনা রেল্লি কয়া পাঙথোক্লখ্রবা মতুং লান অসি থা ১৬ শুগদবা নুমিৎ নীনি খক ৱাংলিঙৈদা ঙসি কুকি টেররিষ্টশিংনা দ্রোন শীজিন্নদুনা বোম থাদরকপা য়াওনা অফবা মখলগী খূৎশু খূৎলায়শিং পায়দুনা চথরকখিবা অকনবা এটেকতা মৌনহা অমা লৈখিদ্রে অদুগা মহাক্কী মচানুপী অমসুং পাউমী অমা য়াওনা মীওই ২০ লোম শোক্তুনা রাজ মেদিসিটি, রিমস, শিজ হোস্পিটাল য়াওনা তোঙান তোঙানবা লায়েংশঙশিংদা লায়কন্নখ্রে।

অচেংবা তাঞ্জা লুম্লগা কুকি টেররিষ্টশিংনা চথরকখিবা এটেক অসি নুংথিল পুং ২ রোম তারকপদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী লমশাং পি এসনা

## লৈঙাক্কা য়ানবা পুরক্ত্রিবা ফাওবা লৈখিদ্রবী সুরবলাগী হকচাং লৌখিরোইদৌরি

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০১ (ঐচএনএস) :** ঙসি কৌত্রুক অমদি কদাংবন্দদা কুকি টেররিষ্টশিংনা দ্রোন শীজিন্নদুনা বোম থাদরকপা অমদি অফবা মখলগী নোংমৈশিং কাপশিন্দুনা চথরকখিবা লানদাদা লৈখিদ্রবী ঙাংবম ওংবী সুরবলাগী হকচাং লান অসিগী মতাংদা লৈঙাক্কা য়ানবা পুরক্ত্রিবা ফাওবা লৌরোই হায়না ফয়েং মায়কৈগী মীয়াম্না ফোঙদোরক্লি।

ফয়েংদা ময়ূম পাল্লকপী কৌত্রুকতগী লৈখিদ্রবী সুরবলা ঙসি মপামদা মচানুপীগা লোয়ননা লাকপগী লন্বীদা কুকি টেররিষ্টশিংনা লান্দারকপদগী নোংমৈ মরূনা কোক্তা পানবদগী লায়কন্নবা নংদনা লৈখিদবনি। মহাক্কী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং রিমসকী মীরেলশঙদা থমখ্রে। অদুবু ঙসি নুমিদাংৱাইরম মীরেলশঙ অসিগী মমাঙদা পাউমীশিংগা উনবদা ফয়েং অপুনবা নুপী লূপকী প্রসিদেন্ট নিংথৌজম তোমালৈনা ফোঙদোকখিবদা মমাঙ চহীগী মে ৩দগী চথরক্লিবা লান অসি লৈঙাক্লদি লোইরে হায়রগসু মীশি-মীনা অমদি নোংমৈ কাপ্পা লেপত্রিবসি করম্বা মওংদা লান লোইরিবনো। লৈঙাক্লা খুল ঙাকপা ইচাশিংগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

## হোম দিপার্টমেন্টনা লাইবক থীবা থৌদোক্কি হায়দুনা থোরকপা চেরোলদা বনান লানবদগী চুমথোরকখ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০১ (ঐচএনএস) :** ঙসি নুংথিল কুকি টেররিষ্টশিংনা কৌত্রুকতা দ্রোন অমসুং বোমশিং শীজিন্নবগা লোয়ননা অফবা মখলগী খূৎশু খূৎলায়শিং পায়দুনা চথরকখিবা এটেকতা নুপী অমা য়াওনা মীওই অনী শিরে অমসুং কয়া অমনা শোক্লে হায়রদুনা থৌদোকশিং অসি লাইবক থীবা থৌদোক্কি (অনফোর্চুনেট ইন্সিদেন্ট) নি হায়দুনা মণিপুর লৈঙাক্কী সেক্রেটেরিএট : হোম দিপার্টমেন্টনা ঙসি নুমিদাং থোরকখিবা চেরোলদা থৌদোক থোক্লিবা ঙসিগী নুমিৎ অসি '০১-০৯-২০২৪' হায়গদবদা ...মখা লমায় ৩ কলম ৫



কুকি টেররিষ্টশিংনা দ্রোন শীজিন্নদুনা থাদরকখিবা বোমশিং

কোল্লিবা কৌত্রুক অমসুং কদাংবন্দগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থোকখিবনি। থৌদোক অসিদা লৈখিদ্রবী মৌনহা অদুগী মমিং ঙাংবম ওংবী সুরবালা (৩১), মপুরোইবা এন জি ইঙো কৌই, ফয়েং মনীং লৈকায়দগীনি হায়রি।

মহাক্লা চহী ৮ লোমদা ঙাইরিবী মচানুপী (এন জি রোজিয়া) গা লোয়ননা কৌত্রুকতা লৈবা মপামদা লাকপগী লম্বীদা খঙহৌদনা চথরকখিবা এটেক অসিগী মনুংদা লৈখিদ্রবী সুরবালাগী কোক্তা নোংমৈ মরূনা পানবদগী পন্থদনা মহাকপু হোস্পিটালদা পুদুনা লায়কন্ননবা হোৎনখি অদুবু লায়েংশঙ য়ৌবা নংদ্রিঙৈদা লম্বীদা কনবা ঙমদনা লৈখিদবনি হায়রি।

থৌদোক অসিদা মহাক্কী মচানুপী রোজিগীনা য়েৎ থংবা পাম্বোমদা নোংমৈ মরূনা পান্দুনা শোকখিবনি । লৈখিদ্রবী সুরবলাগী মপুরোইবা এন জি ইমো ভি দি এফ পর্সনেলনি। মহাকসু কাংচুপ্তা লৈবা পোষ্টতা মথৌ পাঙথোক্তুনা লৈরিবনি হায়রি।

থৌদোক অসিদা এন জি সুরবলা খক্তা নত্তনা মীওই অমসু লৈখিদে হায়না ঙসি নুমিদাং হোম দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী থোরকখিবা চেরোল অমদা ফোঙদোরকখি। অদুম ওইনমক মহাক্কী চপ চাবা মমিং মথাদি ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## কোকোমি মৈ হৌনা শাউরে : সিক্যুরিটি এদভাইজর অমসুং দি জি পি ফম থাদোকউ

### খুল ঙাকপশিং লৈত্রে হায়দুনা কুকি টেররিষ্টশিংনা অচেংবা তাঞ্জা লৌরকপনি, খুল ঙাকপা ফাবা সিক্যুরিটি ফোর্সনা তেকচাক পুগদবনি : কোকোমি




**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০১ (ঐচএনএস) :**

ঙরাং দেল্লীগী জন্তর মন্তর য়াওনা মণিপুরগী মফম খরদা কুকি জৌ ফূরুপকী মীওইশিংনা মখোয়গী ওইবা তোঙানবা সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেসন তাল্লদুনা রেল্লি পাঙথোকখিবগী হেক নোংঙানবা ঙসি কুকি টেররিষ্টশিংনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী কৌত্রুক অমদি কদাংবন্দদা বোম অমদি নোংমৈনা অকনবা মওংদা লান্দাবদা মীচম নুপী অমা হাৎখিবা অমদি মহাক্কী মচানুপী য়াওনা মীওই কয়া অশোক-অপন নংখিবা থৌদোক অসি কোকোমিনা নুংঙাইতবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌরক্লি।

লম্ফেলদা লৈবা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## মণিপুর লৈঙাক্লা ঈং-তপ্পা হঞ্জিলহল্লগনি হেক হায়বগা লান থোকই, থা ৬কী মনুংদা লোইশিনগনি হায়রিবসি 'মোকরি' নি : কে মেঘচন্দ্র

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০১ (ঐচএনএস) :** মণিপুর লৈঙাকপু লুচিংলিবা চীফ মিনিষ্টরনা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা নেসনল মীদিয়াগী এজেন্সী অমদা থা তরুক্কী মনুংদা মণিপুরগী লানগী ৱাথোক লোইশিন্দুনা মহৌশাগুম্না ষ্টেট অসিদা ঈং-তপ্পা হঞ্জিলহল্লগনি হায়খিবগী মতাংদা করি ফোঙদোক্লিংবা লৈবগে হায়না ঙসি কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট কে মেঘচন্দ্রদা পাউমীশিংনা হংবা ৱাহংগী পাউখুমদা মহাক্লা হায়, মণিপুর লৈঙাক্লা ঈং-তপ্পা হঞ্জিলহল্লগনি হেক হায়বগা মথংগী নুমিৎতা লান থোকই। য়ূম মৈ থাবা, নোংমৈ অমসুং বোম কাপ্পগী থৌদোকশিং থোকই। মরম অসিনা হন্দক ন্যুজ এজেন্সী অমদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদু থাজনীংঙাই ওইদে। ৱাফম অদু মীয়ামদা তৌবা 'মোকরি' নি হায়খি।

ৱাফম অসি য়াইস্কুল পুলিস লেনদা লৈবা এম দি য়ুগী হোলদা অমাই পিবা অপূনলূপ, কংলৈপাক্লা শীন্দুনা নুমিৎ মরিনি চূপ্না চথরকখিবা মীতৈগী পোকপদগীনা শিবা ফাওবগী মনুংদা পাঙথোকপা থৌরমশিং অমত্তা ওইনা মান্ননা পাঙথোকমিন্নবগা মরী লৈননা চথরকখিবা খন্ন-নৈনবা থৌরমগী ঙসি অরোইবা নুমিৎতা শরুক য়ারখিবা কোংগ্রেস প্রসিদেন্টদা পাউমীশিংনা হংবা ৱাহংগী পাউখুমদা ফোঙদোরকখিবনি। ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## চুড়াচান্দপুর, জিরিবাম চৎপা ঙমদবা লৈঙাক্লা অচুম্বা ঙাঙবা ঐখোয়দা পানবা এফ আই আরনা নল্লগা লৈরে : সুজতা



**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০১ (ঐচএনএস) :** চীংখোঙ-চীংয়াদা লৈরিবা ফীভমশিং য়েংবীয়ু হায়রদুনা চুড়াচান্দপুর, জিরিবাম, মোরে অমসুং কাংপোকপীদা চৎপা ঙমদবা মণিপুর লৈঙাক্লা পেন্দবদগী অচুম্বা ঙাঙবা ঐখোয়গী মথক্তা পানবা এফ আই আরশিংনা ঐখোয়গী ইথক্তা নল্লগা লৈরে হায়না ইমাগী মৈরাগী কনভিনর থোকচোম সুজতানা ফোঙদোকখ্রে।

প্রেস ক্লবতা ঙসি পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা মহাক্লা হায়, ঙসি ওইরক্লিবা থা ১৬ চঙলক্লগা ফীভমসিদা লৈঙাক্কী থৌওং চপ মান্নবা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## লান অসি লোইশিন্দুনা মহৌশাগুম্না ইশাগী য়ূমদা নে তানা লৈবা ফংগনি হায়বা থাজরক্ত্রে : সলাম মনিমচা

রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী
হকথেংনবা পাউদম
লাইমনাইগী খুঞ্জা অমা

**(ঙরাংগী মখা...)**

সলাম মনিমচানা মখা তানা হায়, লৈঙাক অসিদগী হৌরকপা লাননি খন্দুনা লৈঙাক্কী মখাদা লৈরিবা রিলিফ কেম্প অসিদা লৈনা লৈনা লান অসি লোইগদ্রা-লোইগদ্রা খন্দুনা ঙাইরকপনি অদুবু ঙসি ফাওবা লোইশিনবা ঙমদনা লৈরি। লান অসি তৌনা-তৌনা এম পি ইলেক্সন ফাওবা পাঙথোকখ্রে অদুবু লান অসিগী ৱারোইশিনদি করি ওইগদবনো হায়বা খঙবা ঙমদ্রে। লৈঙাক্লা লৈঙাক্লি অদুবু লাঞ্জেন্নরক্তুনা লৈরিবা ইনমেট ময়াম অসিদি অনম্বনা মশানা লন্নাই শেল তাঞ্জদুনা হিংজরকপা মীওই ঙাক্তা ওইনা উই। মরম অসিনা য়েন-ওক চহী অমগী শেন্দোং পাদুনা লৈজরম্বা শেল পূম্নমক থাদরগা শেন্দোং ফংনবা হোৎনজরকখিবা অমদি ফংলকপা শেন্দোংনা মথং অমুক লোয়ননবা হায়না প্লান তৌজরগা হোৎনরকখিবা ময়াম অদু লান অসিনা মরম ওইরগা পুম্নাঙ মাঙহল্লে। হৌজিক ঐহাক্লা য়ূমদা হঞ্জিন্দুনা লৈরুরবসু হান্নগী ঐহাক্কী য়েন অমদি ওকশিং অদুদি অমত্তা লৈরল্লরোই। মদুদা থাদখিবা শেলশিং অদুসু মাঙবা হায়বদু ওইরবনি। মসিগী তেকচাক কনানা পুবীগদৌরিবনো অমসুং কদাইদগী শেলনা ইচা-ইমৌ অমদি ইশুগী তুংগীদমক হোৎনবীগদৌরিবনো হংলকখি।

মখোয়গীদমক শেম্বী শাবীগদবসু হৌজিক্তি খূৎতা শেল অমত্তা লৈত্রবনিনা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈত্রে। ঐহাক্লা রিলিফ কেম্প অসিদা লাকপদা ইমৌনুপীদু থা তরেৎকী অঙাং নাওপুরকখিবনি। হৌজিক্তি ইশুনুপা অমা ফংজদুনা খুমন লম্পাক্কী রিলিফ কেম্পতা লৈরি। ঈ নৌরিবী ইমৌনুপীগা ইশুগগী খনবদা অৱাবা অমা ওইরে। ঈ নৌরিবনিনা চাবা থকপদসু য়াম্না চেকশিন্দবা য়াদে। অদুবু কেম্পতা লৈবদা ভোলন্টিয়রশিংনা অৱাৎ অপা পূম্নমক মেনখৎপীরি।

অদুবু ইনমেট ময়াম অসি য়েংলকপনিনা মমা-মপা ফাওবা মচাশিংবু লোইনা পেলহনবা ঙমদবগুম ময়াম অসিবু পেলহনবদি ঙম্লোই হায়বদুসু খঙই। অদুবু ইশানা খূৎতা শেল থোকচদুনা পীজনীংবা পীজগদবদুসু ঙমদে। য়াম্না তোন্না হিংবা পূন্সি হায়বদু ওইরে হায়খি।

ঐহাক্তি রিলিফ কেম্প অসিদা অদুমক শিখ্রবসু করিসু থোইদোক্ত্রে। অদুবু লৈহৌরিবা ইচা-ইমৌ অমদি ইশুগী খনবদা অহিং তূম্বা য়াদে। নোংমতা কপ্তুনা লেনবা য়াওখিদে। ইনমেট ময়ামগা হরাও-হরাও ঙাইহাক ৱারী শানরুরবসু অৱাবা ৱারী হেক য়াওরল্লবদা শোক্লবা মীওই ঙাক্তনিনা অমুক পূন্না কপমিন্নদুনা পূন্সি লেল্লি।

মরম অসিনা লৈঙাক্তা হায়নীংবদি শূর-নোম্লগা, শা-য়েন লোয়জরগা হিংজরকপা পূন্সিনি। লৈত-লায়রবদগী ৱানা হোৎনজদুনা শাগৎচখিবা য়ূম ওইবনিনা পীক্লবা সোলর লাইট অমা মাঙখিবা ফাওবা ঐহাক্কী ইফমদদি মমল য়াম্না য়াম্মী। হৌজিক্তি রিলিফ কেম্পতা চাফম ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী কর্ফিয়ু ঙসি অয়ূক পুং ৫দগী নুমিদাং পুং ১০ ফাওবা কোমথোক্লে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০১ (ঐচএনএস) :**

ঙরাং ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা ভারতিয়া নাগরিক সুরক্ষা সনহিতা, ২০২৩গী সেক্সন ১৬৩গী মখাদা ঙসি সেপ্টেম্বর ১, ২০২৪দগী হৌরদুনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মফম পূম্নমক্তা থম্লকখিবা কর্ফিয়ুগী অথিংবা অদু হয়েং সেপ্টেম্বর ২, ২০২৪গী ওইনা অয়ূক পুং ৫দগী নুমিদাং পুং ১০ ফাওবা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মফম পূম্নমক্তা কোমথোক্লে হায়না এদিসনেল দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট সামিম অহম্মদ শাহনা ঙসি থোরকপা ওর্দর অমনা ফোঙদোরক্লি।

কর্ফিয়ুগী অথিংবা মরক্তা মসিনা কোনশিল্লোইদবশিংসু ওর্দর অসিদা পল্লি।

## কৌত্রুককী মীহাৎ য়ানীংদে, কুমজা ১৯৪৯ মমাঙগী প্রি মর্জর পোলিটিকেল ষ্টেটস তাল্লক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে : ফোক্স

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০১ (ঐচএনএস) :** ঙসি নুংথিল ইম্ফাল ৱেষ্টকী কৌত্রুকতা কুকি খূৎলায় পায়বশিংনা ফয়েং উমং লৈকায়দগী নুপী অমা অতম্না টার্গেট তৌদুনা হাৎখিবা অদুগা চহী নৌরিবী মচানুপী অমা য়াওনা ষ্টেট ফোর্স কয়া অশোক অপন নংহনখিবা থৌদোক অসি ফোক্স, মণিপুরনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই অমদি অসিগুম্বা টেররিজমগী থৌওং চথরিবা কুকি টেররিষ্টশিং অদুগী মথক্তা মণিপুর অমদি য়ুনিয়ন লৈঙাক অনীনা লোগী চপ চাবা থবক লৌখৎতুনা চৈরাক পীগদবনি হায়রি।

ৱাফম অসি ফেদরেসন ওফ সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন্স, মণিপুরগী চেরোল অমনা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা মখা তানা হায়, থেঙ্খাং কয়াদা কুকি টেররিষ্টশিংনা অফবা মখলগী খূৎলায় শীজিন্নদুনা চথরকপা এটেকতা মীওই কয়া মরু ওইনা নুপী অমসুং অঙাং কয়া হাৎখ্রে। মসি ফাওবদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা এক্সন অমত্তা লৌখৎতনা য়েংদুনা লৈবা হায়বসি অঙকপা ফাওই। ঙসিগী থৌদোকসিদা দ্রোন শীজিন্নদুনা বোম ফাওবা থাদরল্লগা ষ্টেট ফোর্স অমদি মীচম মীয়াম কয়া হাৎলবা ফাওবদা তূমিন্না লৈশিনবা তারবদি মীয়াম্না কুমজা ১৯৪৯গী মমাঙদা লৈরম্বা প্রি মর্জর পোলিটিকেল ষ্টেটস অদু তাল্লক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে হায়রি।

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫